নেমচা কিপগেন্না টি এন এফ এল সী ফুটবোল সেন্টিনরি হৌদোকখ্রে

উখ্রুল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) : সোসল ৱেলফ্যের অমসুং কোওপরেসন মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন্না ঙসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী তাঙ্খুল নাগালোং গ্রাউন্দদা তাঙ্খুল নাগা ফ্রান্স লেবর কোর ফুটবোল সেন্টিনরি হৌদোকখ্রে। তাঙ্খুল নাগা ফ্রান্স লেবর কোরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন্না চীফ গেষ্ট ওইখি।

তাঙ্খুল ফুরুপনা ফুটবোল শান্নরকপা চহী ১০০ শুরকপগা মরী লৈননা মিনিষ্টরনা হায়খি, তাঙ্খুল লেবর কোর (ফুটবোল টিম) না ফ্রান্সতা কুমজা ১৯১৭তা ফুটবোল শান্নখি। চহী ১০০গী মমাঙদা শান্নবা য়াওখিবা মীওইশিং অদু মণিপুরদগী লেবর কোরগী শরুক অমা ওইনা পুখিবা ওইরমগনি।

ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিংনা লান্দা মরুওইবা থৌদাং লৌখি। তাঙ্খুল লেবর কোরনা মশাগী ওইবা ফুটবোল টিম অমা শেম্নবা ৱাখল্লোন ফাওরকখিবসি অশেংবা শান্নরোয় ওইবগী মতিং ফুদোকপনি হায়না লৌবা য়াই।

ষ্টেট অসিদা ফুটবোল মশান্নবু মীওই কয়ানা পাম্না শান্নরি হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, শান্নরোয় কয়ানা মালেমগী থাক্তা ষ্টেট অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রে। শান্নবগী লমদা শিংথানিংঙাই ওইবা পার্ফোমেন্স পীদুনা মীংচৎ পুরকখিবশিংগী মনুংদা মেরি কোমসু অমনি।

মণিপুরবু ইন্দিয়াগী ওইনা স্পোর্টসকী পৱর হাওসনি হায়না তিল্লিবা মীয়ামদা নৌহৌনা নীংশিংলদুনা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন্না হায়খি মদুদি মীপূম খুদিংমক্না হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংবু শান্নখোৎনবগী লমদা খোঙদাহন্দুনা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনহনবা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন্না হন্দক্তা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী মখাদা হৌদোকখিবা 'চীফ মিনিষ্টরগী শোথরবশিংগী তেংবাঙ' কৌবা স্কিম অমগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মীয়াম্না স্কিম অসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙবা ঙল্লবদি বেনিফিসরিশিংনা কান্নবা কয়া ফংবা ঙমগনি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা অরাঙ ফুটবোল লীগসু হৌদোকখি। মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন অমদি ফুটবোল মশান্নবু পামজবা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মীওই কয়া তিনখিবা থৌরম অদুদা ফুটবোল লীগ হৌদোকখিবনি।

২৯শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮

দি এফ এ থৌবালনা আই দল্লিয়ু দি এফ এ ইম্ফাল ৱেষ্ট গোল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না শিন্দুনা দিসেম্বর ১০ ফাওবা নুমিৎ ৭নি চুপ্না চখৎগদবা ২৯শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ ঙসি খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দ শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা দি এফ এ থৌবালনা আই দল্লিয়ু এফ এবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম মঙানা শরুক য়ারগা গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ২৯শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ গী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদগী দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (দি এফ এ) থৌবাল অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই দল্লিয়ু দি এফ এ) গী টিমশিং শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচকী অঙনবা মতম মিনিট ৪শুবদা দি এফ এ থৌবালগী জর্সি নম্বর ১১ কে জুরেম্বনা গোল অমা চনখি। কে জুরেম্বনা চনখিবা গোল অদুনা মহাক্কী টিমবু গোল ১-০দা মাঙজিল থানা লৈহনখি।

আই দল্লিয়ু দি এফ এগী মায়কৈদগীসু দি এফ এ থৌবালগী মাৎজল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্লুবা কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ২৫শুবা মিনিটতা আই দল্লিয়ু দি এফ এগী জর্সি নম্বর ৯ কে এঞ্জেলোনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। অহানবা হাফকী মিনিট ২৯ শুরবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদা অহেনবা গোল চন্নবা অকনবা এটেক কয়া চখনরকখি। মেচকী ৩০শুবা মিনিটতা দি এফ এ থৌবালগী কে জুরেম্বনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু গোল ২-১দা লৈখি।

কে জুরেম্বনা চনখিবা অনীশুবা গোল অদুনা আই দল্লিয়ু দি এফ এগী শান্নরোয়শিং ককঙাওনখি। আই দল্লিয়ু দি এফ এগী মায়কৈদগী দি এফ এ থৌবালনা মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্লুবা তকখৎলকখি। অদুবু দি এফ এ থৌবালগী মায়কৈদগী আই দল্লিয়ু দি এফ এগী এটেকশিং অদু নিংথিনা দিফেন্দ তৌদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমহনখিদে। অহানবা হাফকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা আই দল্লিয়ু দি এফ এগী শান্নরোয়শিংনা দি এফ এ থৌবালগী অহেনবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু দি এফ এ থৌবালনা গোল ২-১দা মাঙজিল থানা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা দি এফ এ থৌবালগী মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু আই দল্লিয়ু দি এফ এগী মায়কৈদগী হন্দোক্তবা য়াদে হায়বগী মতাগুম য়াম্না য়াঙনা শান্নরকখি। দি এফ এ থৌবালগী মায়কৈদগীসু হনবা লৈতনা গোল চন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু অনীশুবা হাফকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মেচ অদু দি এফ এ থৌবালনা আই দল্লিয়ু দি এফ এবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিনা মোরেদা ফুটবোল শান্নরোয় পুথোক্লুবা হোৎনরি

ইম্ফাল, ডিসেম্বর ০৫ (ঐচএন এস): চহী নৌরিবা নুপামচাশিং ষ্টেট অসিগী মশক থোকপা শান্নরোয় ওইহন্নবগী পান্দমদা টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিগী অখন্নবা মীৎয়েং মখাদা মোরেদা ফুটবোল শান্নরোয় পুথোক্লুবা হোৎনরি।

লায়রবনা য়াম্বা চহী নৌরিবা অঙাংশিং অদুনা নিংথমথাগী মতমদা খোঙউপ তোংবোই-তোংদবোই তৌদুনা শান্নবুংদা থোরক্লগা ফুটবোল তম্ননবা হোৎনবদা একাদেমি অসিনা মতেং পীরি। শান্নরোয়শিং অদুদা ফুটবোল খুদোল তম্বগা লোয়ননা নুমিৎ হুমনিগী কোচিং অমসু মোরেদা লৈবা ইষ্টর্ন সাইন গ্রাউন্দদা ঙসি লোইশিনখ্রে।

কেম্প অসি মোরে পুলিস অমসুং টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিনা শিনবনি। অঙাংশিং অদুনা ফুটবোল শান্ননিংবা অমসুং হৈনীংবসু উরুরগা মখা তানা একাদেমি অসিনা অঙাংশিং অসিগীদমক করি মতেং পাংবা য়াবগে হায়বা য়েংখিগনি হায়না একাদেমি অসিগী মচিন চৎপা মীশক অমনা পাউচে অসিদা হায়রি।

এফসী ইম্ফাল সিটিগী টিম হরাউ তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস চানিদগড়না শিন্দুনা নবেম্বর ২২দগী চথরকখিবা এদমিনিষ্ট্রেটর চেলেঞ্জ কপ অন্দর-১৭ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্টতা অহুমশুবা পোজিসন তারকখ্রবা এফ সী ইম্ফাল সিটিগী টিম ঙসি ক্লব অসিনা হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

এদমিনিষ্ট্রেটর চেলেঞ্জ কপ অন্দর-১৭ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্টতা অদুদা মণিপুরগী ক্লব অমা ওইরিবা এফ সী ইম্ফাল সিটিগী অন্দর-১৫গী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙলকখিবনি। সেমী ফাইনেলদা য়ূম্বু ওইরিবা চান্দিগড় ফুটবোল একাদেমিগী মখুৎত্তা ২-০দা মায়থীহৌখিবনি। টুর্নামেন্ট অদুগী অহুমশুবা পোজিসনগীদমক মিনরভা এফ সীগা লম্বা তৌনগদবদা, মিনরভা এফ সীগা সেমী ফাইনেল শান্নখিবা টিম অদু টুর্নামেন্টকী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা থবক তৌরম্বগীদমক মিনরভা এফ সী ফাইনেল চঙলকখিবনি। লোয়ননা এফ সী ইম্ফাল সিটিনা অহুমশুবা পোজিসন তারকখিবনি।

পনবা য়াবদি, এ আই এফ এফকী মখাদা পাঙথোক্কদবা ইন্দিয়ন য়ুথ লীগ অন্দর-১৫ ফুটবোল লীগতা এফ সী ইম্ফাল সিটি শরুক য়ারুগদৌবরনি।

ক্রোস কন্ট্রি চেম্পিয়নশিপ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) : এথলেটিক এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা ৮শুবা ষ্টেট ক্রোস কন্ট্রি চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখ্রে।

কেটাগোরি নিপান থোক্লা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা নুপাগী কিলোমিটর ১০গী লমজেলদা ৱাই ভি এগী পি ঐচ প্রেমকুমার, এম এম সীগী ৱাই গোপেশ্বর অমসুং ঐচ ৱাই সীগী ও ইনাওচানা মকোক মথং তাখি। নুপাগী চহী ২০ মখাগী কাঙলুপ্তুনা এম এম সীগী কে বিক্রম, ঐচৱাই সীগী টি ঐচ নাওচা লুৱাং অমসুং ঐচ ৱাই সীগী এ সন্তোস; চহী ১৮ মখাগী নুপামচাগী কাঙলুপ্তুনা ঐচ এ য়ুগী কে ঐচ মাঞ্জ, এস টি টি এসকী মহম্মদ জামির খান অমসুং সাইগী এল রোহিট; চহী ১৬ মখাগী নুপামচাগী কাঙলুপ্তা সাইগী ৱাই অর্জিৎ, সাইগী মহম্মদ এদ্রিস অমসুং ৱাই ৱাই এগী এম ইংলেন্দ; নুপীগী কিলোমিটর ১০গী লমজেলদা এম পি এস সীগী কে বিবিচা, এল এস এগী অনিতা অমসুং এস আর ও ৱাইগী এস সুনিতা; চহী ২০ মখাগী নুপীগী কাঙলুপ্তা এস এস য়ুগী এন প্রিয়া, এম এম সীগী এস সোফিয়া অমসুং নিশাগী এল রঞ্জিতা; চহী ১৮ মখাগী নুপীমচাগী কাঙলুপ্তা এস আর ও ৱাইগী এন চাউবা, কে ৱাই সীগী এম রঞ্জনা অমসুং এম এস সীগী টি থোইথোই লোয়ননা চহী ১৬ মখাগী নুপীমচাশিংগী কাঙলুপ্তা সাইগী দল্লিয়ু তনুবী, সাইগী এম বিন্দিয়া অমসুং এম এস সীগী এস রোমান্না মথংশিংনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখি হায়না এথলেটিক এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

৬৩শুবা নেসনল গেমস ২০১৭-১৮ গার্লস ক্রুশু কম্পিটিসন

মণিপুর টিম্না ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে

গুৱাহাটি/অসাম, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) : স্কুল গেম ফেন্দরেসন ওফ ইন্দিয়া (এস জি এফ আই) গী মীৎয়েং মখাদা অসামগী গুৱাহাটিদা হৌখিবা দিসেম্বর ২দগী ৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৬৩শুবা নেসনল স্কুল গেমস ২০১৭-১৮ ক্রুশু কম্পিটিসন অন্দর-১৭ অমসুং অন্দর-১৯ গার্লসতা মণিপুর টিম্না ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইরক্লে।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়ানা শরুক য়ারগা গুৱাহাটিদা দিসেম্বর ২দগী ৫ ফাওবা চথরকখিবা ৬৩শুবা নেসনল স্কুল গেমস ২০১৭-১৮ ক্রুশু কম্পিটিসন অন্দর-১৭ অমসুং অন্দর-১৯ গার্লসতা মণিপুরগী অন্দর-১৯ গার্লস ক্রুশু টিম্না গোল্ড মেদল মরি, শিলভর মেদল অমা অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অনী পুন্না মেদল মাপন লৌদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইরকখিবনি।

৬৩শুবা নেসনল স্কুল গেমস ২০১৭-১৮ ক্রুশু কম্পিটিসন অন্দর-১৯ গার্লসতা মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি কেজি ৩৬কী কেটাগোরিদা পি থোইচা, কেজি ৪৫গী কেটাগোরিদা এস আশা, কেজি ৪৮গী কেটাগোরিদা ঐচ প্রভাপতি অমসুং কেজি ৫২গী কেটাগোরিদা এন রোমিতানা গোল্ড মেদল; কেজি ৪০গী কেটাগোরিদা কে ঐচ চাউবনা শিলভর মেদল অমসুং কেজি ৫৬কী কেটাগোরিদা এম বিনালিকা চনু অমদি কেজি ৬০গী কেটাগোরিদা পি সনাথোইনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি।

পনবা য়াবদি গুৱাটিদা পাঙথোকখিবা ৬৩শুবা নেসনল স্কুল গেমস ২০১৭-১৮ ক্রুশু কম্পিটিসন অন্দর-১৯ গার্লস অসিদা মণিপুর টিমগী ক্রুশু শান্নরোয় পুন্না মাপন শরুক য়াখিবনি।

কম্পিটিসন অদুদা কেজি ৩৬কী কেটাগোরিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পি থোইচা, কেজি ৪৫গীদা এস আশা, কেজি ৫৬কীদা এম বিনালিকা, কেজি ৪৮গীদা ঐচ প্রভাপতি অমসুং কেজি ৬৫ মথক্কীদা টি দাইনা; কেজি ৪০গীদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কে ঐচ চাউবা; কেজি ৫২গীদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী এন রোমিতা; কেজি ৬০গীদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী পি সনাথোই অমসুং কেজি ৬৫গীদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী কে এস ঐচ নাওবী অদুগা মেনেজর ওইনা এম বিমোলজিৎ অমসুং কোচ ওইনা ৱাই সপনানা শরুক য়াখি।

মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর এন প্রবিন, কম্মিস্নর ঐচ দিলিপ, জোইন্ট দিরেক্ট ঐচ প্রমোদা, হেলথ মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমার অমসুং য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী ওফিসিএলশিংনা মেদল ফংলক্লবা ক্রুশুগী অন্দর-১৯ গার্লস শান্নরোয়শিংদা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

এসিয়ন ক্লাসিক পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে

ASIAN CLASSIC POWERLIFTING CHAMPIONSHIP
04-09 DECEMBER 2017 ALAPPUZHA, KERALA - INDIA

অলাপুঝা, কেরলা, দিসেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) : ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা ইন্টরনেসনল পৱরলিফটিং ফেদরেসন এন্দ এসিয়ন পৱরলিফটিং ফেদরেসনগী মিৎয়েং মখাদা ইন্দিয়ন পৱরলিফটিং ফেদরেসন্না শিন্দুনা দিসেম্বর ৯ ফাওবা নুমিৎ মঙানি চুপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ক্লাসিক পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কেরলাগী এলিপি জিমদা হৌদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৮দগী লিফটর ২০০ অমদি য়ূম্বু ওইরিবা ইন্দিয়ন টিমগী লিফটর ১৫০ পূন্না লিফটর ৩৫০না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা এসিয়ন ক্লাসিক পৱরলিফটিং ২০১৭তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মণিপুরদগী লিফটর ৪ অমদি ইন্দিয়ন পৱরলিফটিংগী কোচ ওইনা সুশিলাসু চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারি।

এসিয়ন ক্লাসিক পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তা ইন্দিয়নগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা মণিপুরদগী শান্নরোয়শিং অদুদি সব জুনিয়র বোইজকী কেজি ৭৪গী কেটাগোরিদা সোরাম সুনিল, জুনিয়র ৱিমেনগী কেজি ৬৩ কেটাগোরিদা লেক্সমি এন, সেনিয়র ৱিমেনগী কেজি ৬৩গী কেটাগোরিদা লাইশ্রম মেমোরি অমসুং কেজি ৭২গী কেটাগোরিদাা নদ্রাম ববিতানি। ইন্দিয়ন পৱরলিফটিং টিমগী কোচনা সুশিলানি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়ন পৱরলিফটিং ফেদরেসন্না শিন্দুনা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২৪দা ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা ৱেথ কেটাগোরিগী ট্রাইএল সেলেক্সন অদুদা মণিপুরদগী নুপা অমদি নুপী লিফটর ৪ অসি এসিয়ন ক্লাসিক পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়ানবগীদমক খনগৎখিবনি।

LOAN AVAILABLE
AREA COVER: MANIPUR STATE
> LUXURIOUS VEHICLE
> COMMERCIAL VEHICLE
> HEAVY VEHICLE
> PENSION LOAN (1.5%,2%,2.5% & 3%) PM
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR:
9.30AM TO 4.00PM
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING OPP. P.S., THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.
HL-B/4172/17/10-14/12



পুরেম্বনা পাখঙ ফারকপদা কেগে মোইরাং লৈবাক্তা শাদা-লান্দা, থাঙদা-তেন্দা, খুৎশু-খুৎলাইদা লম্বা পাবীনবা মশুং-মমান্নবা কনা অমত্তা লৈরমদে।



Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com